**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি।

২) ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী রেগুলর ভাইস চান্সেল্লর, রেজিষ্ট্রার অমদি রেগুলর পোষ্টতা কর্ম্মচারি খরা লৌনবা দি.এম. য়ুনিভর্সিতি এক্ট ২০১৭ এমেন্দ তৌনবা রাজ্য সরকারনা ৱারেপ লৌরে।

৩) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুরদা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা অকনবা নোং চুগনি ।

৪) দোনর মন্ত্রি জ্যোতি অদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদম অসি ভারতকী চাওখৎপগী গেটৱে অমনি হায়না লৌই।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং ভুতাননা ক্লাইমেত চেঞ্জ য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা য়ান্নখ্রে।

------

রঞ্জন (এল)ঃ ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি। আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন্না ঙসি সনাকৈথেলদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়- মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম ফমবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

মহাকা হায়- ঙসিগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুদা শিক্ষা, হকশেল অমদি হোম বিভাগকী নৌনা থবক লৌবা অমদি হায়দোক্তনা লৈরিবশিং হায়দোকবগী ৱাফমশিং খন্নখি। ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোইশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং খন্নরগা য়ুনিভর্সিতি অসিগী রেগুলর ভাইস চান্সেল্লর, রেজিষ্ট্রার অমদি রেগুলর পোষ্টতা কর্ম্মচারি খরা লৌনবা দি.এম. য়ুনিভর্সিতি এক্ট ২০১৭ এমেন্দ তৌনবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে। দাইরেক্তোরেট ওফ ইকোনোমিক্স অমসুং ষ্টেটিষ্টিক্তা অনিরক থোকা থবক লৌবগী মতাংদা কমিতি অমা শেম্লগা য়েংশিল্লগনি।

ডাঃ রঞ্জন্না মখা তানা হায়- মণিপুর প্রাইভেট স্কুল রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগুলেসন্স এক্ট ২০১৭ এমেন্দ তৌদুনা মণিপুর প্রাইভেট স্কুল রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগুলেসন্স রুলস ২০২৪ অমা শেমবা মন্ত্রি মন্ত্রিনা অয়াবা পীখি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ ৭৫ শুবা বন মহোৎসব থৌরমগা মরী লৈননা ফোরেষ্ট বিভাগকী সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা মীয়ামদা লেমা উ চারাশিং য়েন্থোক্লগনি। য়েন্থোকপগী থৌরম মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ফোরেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ কী অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ ফাওবা চথগনি।

গাড়ি (এল)ঃ জিরিবামদগী লাকপা, নোনে জিলাদা পনদুনা লৈরম্বা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোনে জিলাদগী ইম্ফাল তমা চৎখে। পুন্না পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২২২ গী মনুংদা অহানবা ফেজ ওইনা গাড়ি ১৪১ অমদি অনিসুবা ফেজদা গাড়ি ৮১ ইম্ফাল তমা থোকখ্রে। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা থাউ পুবা গাড়ি অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা য়াওরি।

ডে (এল)ঃ নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিন্দুনা মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎ পালন লোংমাই পার্ট-থ্রিদা পাঙথোকখ্রে। চহি অসিগী হিরমদি- প্রোটেক্তিং চিলদ্রেন ফ্রোম তোবাক্কো ইন্দষ্ট্রি ইন্তরফেরেন্স হায়বসিনি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চিফ মেদিকেল ওফিসার য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক

য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ মেদিকেল ওফিসারনা হায়- হিদাক মনা অসি য়ামা লাইচুগনবা ওইবনা মীয়ামগী হকশেলদা চাউনা অকায়বা পী। হিদাক মনা শিজিন্নরিবা মীওইশিংনা হৈনবী অসি থাদোক্তুনা হকচাং ফনা লৈবা পুন্সি মরেল অমা ওইনবা হোৎনগদবনি।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা নুমিৎ অসি নোনে জিলাগী রেমা পাব্লিক স্কুল, খুমজিদসু পাঙথোকখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খেলা খোংদা লৈবা ডামগী সত্তর অহুমগী মনুংদা সত্তর অনি হাংবা য়াদবদগী ইকোপ পাৎকী অকোইবদা লৈরিবা লৌফমশিং অমদি ঙাগী ফার্মশিং ঈশিং থুমজিনবদগী অমাং অতা কয়া থোক্লে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- মফম অদোমদা লৈরিবা লৌমীশিংনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না থৌবাল ডামগী ময়াই কেনেল অমসুং অরোং তুরেলদগী চেন্থরকপা য়াম্লবা ঈশিং খেলা খোং ফাওরগা চেল্লিবা খোং অসিদা পনবনা মরম ওইরগা খুৎশেমগী ঈচাউ থোকহল্লে। লমদম অদুগী লৌমীশিংনা খুদোংচাদবশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিতিনা য়েংশিনবিদুনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীনবা আপীল তৌরক্লি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদম য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুগনি। মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা অকনবা নোং চুগনি। অসাম, মেঘালয় অমসুং উরিষাগী মফম খরদা থা অসিগী ১৬ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি। নোংচুপ বঙ্গাল, সিক্কিম, বিহার অমসুং অরুনাচল প্রদেশতনা থা অসিগী ১৪ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

ৱেদর এজেন্সিগী পাউনা হায়- কোনকান, গোৱা, মহারাষ্ট্র, করনাতক, গুজরাত, অমসুং তেলঙ্গনাদা থা অসিগী ১৬ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।

কেম্প (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সি.এম. ও, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি উচেক্কোন সোসিএল য়ং য়ুনিতি ক্লবনা পুন্না শিনদুনা উচেক্কোন য়ুবরাজ পল্লিদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমদি  লেমা হিদাক লাংথকশিং পীখি।

অমরোমদা, ঈচাউনা শোকহল্লবা লমদম অদুগী মীওইশিংদা রেড ক্রোস সোসাইতিনা হকশেলগা মরী নৈনবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

কেম্প (এল)ঃ  ওপরেসন সদভবনাগী মনুং চন্না তমেংলোং কবুই খুল্লেনদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ৪৫০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী হাওচোং ভিলেজদা মহৈরোইশিংগী ওইবা লাইয়েকপা অমসুং রচনা ইবা চাংদমবা অমা পাঙথোকখ্রে। মহৈরোইশিংদা লৈরিবা হৈথোই শিংথোইবশিং অদু খঙদোকবগী পান্দমদা চাংয়েং অসি পাঙথোকপনি।

বেঙ্ক (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোলদা লৈবা এন.আই.টি কেম্পসতা ঙসি বেঙ্ক ওফ বরোদাগী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখ্রে।

বেঙ্ক ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এন.আই.টি মণিপুর অমদি বেঙ্ক ওফ বরোদা নোর্থ ইষ্ট জোন অমদি তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী  মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। ঙসি হাংদোক্লিবা বেঙ্ক অসিনা এন.আই.টিদা তল্লিবা মহৈরোইশিং অমদি লমদম অদুগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এন.আই.টিগী দাইরোক্তর- প্রোফেসার সোয়ামাজল্লুনা মহৈরোইশিংগী য়েংবীরগা অথুবা মতমদা এ.টি.এম বুথ অমা হাংবীনবা বেঙ্ক ওফ বরোদা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওফিসিয়েলশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

বুক (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী প্রোফেসার- এন. নিমাই সিংহনা ইদিত তৌবা লাইরিক- ইন্সপিরেসন্স ফ্রোম সাইন্তিষ্ট ওফ মণিপুর হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা ফোংখ্রে। লাইরিক অসিদা মণিপুরগী

শকাইরবা সাইন্তিষ্ট ৫০ না ইবা আর্তিকলশিং য়াওরি। থৌরম অসি রিছার্স ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি (রিটস) ইম্ফালনা শিনবনি।

দোনর ঃ দোনর মন্ত্রি জ্যোতি অদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদম অসি ভারতকী চাওখৎপগী গেটৱে অমনি হায়না লৌই। প্রধান মন্ত্রিগী মঙলান অসি মঙফাওনহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

মহাকা ৱাফম অসি গুৱাহাতিগী এল.বি.বি.আই এয়ারপোর্টতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা দোনর মন্ত্রালয়গী অহেনবা শেনফম খাক্তুনা থমলে। মসি হান্নদি লুপা কোতি লিশিং ২৪ ওইরম্বদগী হৌজিক লুপা কোতি লিশিং ৮২ দা হেনগৎলে। শ্রী সিন্দিয়ানা হায়- কেন্দ্র সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কন্নেক্তিভিতি, হকশেল, শিক্ষা অমদি তুরিজম য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা চাওখৎনবগী অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি।

শ্রী সিন্দিয়া নুমিৎ নিনিগী অসাম অমসুং মেঘালয় খোঙচৎতা হৌজিক শিল্লোংদা লৈরি।

অসাম ঃ অসামদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম ফগৎলক্লে। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী জিলা ২৬ কী রেভিন্যু সার্কল ৮৬ কী খুঙ্গং লিশিং ২,৫০০ হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। লৌফম হেক্তর লিশিং ৩৯ দা থাবা মহৈ মরোংশিং অমাং অতা থোক্লে। ব্রহ্মপুত্র, বুরহি, বিহিং, বিসাং অমসুং খুসিয়ারা তুরেলশিং হৌজিকসু খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা অসামগী মফম কয়াদা অকনবদগীনা য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়রি। রাজ্য সরকারনা লিশিং কেম্প ১৮৯ অমসুং রিলিফ দিষ্ট্রিব্যুসদ সেন্তর ১১০ হাংদোক্লি। এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফকী টিমশিংনা মী কনবা অমদি তেংবাং পীবগী থবক চথুরি।

ইন্দো-ভুতান ঃ   ভারত অমসুং ভুতাননা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা য়ান্নখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী রাজ্য মন্ত্রি কৃতি বর্ধন সিংহগা ভুতানগী ইনর্জি অমসুং নেচরেল রিছোর্সেস মন্ত্রি জেম সেহরিংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুগা উন্নবদা য়ান্নিখিবনি। পুন্না পায়খৎমিন্নবগী হিরমশিং অদুদি- ক্লাইমেত চেঞ্জ, ফোরেষ্ট, ৱাইল্ড লাইভ মেনেজমেন্ট, রিন্যুএবল ইনর্জি, ইয়ার ক্বালিতি অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ক্লাইমেত চেঞ্জগী লমদা মীয়ামদা খঙহনবনচিংবনি।

শ্রী বরধননা ভুতানগী মন্ত্রিনা ভারতনা মালেম থাক্তা পায়খৎপা থৌরাং অমা ওইরিবা ইন্তরনেসনেল বিগ কেট এল্লায়েন্সতা য়াওরকপদা থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা ক্লাইমেত চেঞ্জ য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা মান্নবা কয়া লৈরি। শ্রী সেহরিংনা হায়- ভুতান অসি হৱা নুংশিৎ শেংবা মরমনা কার্বোন নেগেটিভ ওইবা লৈবাক অমা ওইখ্রবনি। লৈবাক অসিদা হাইড্রো পৱারদগী ইনর্জি পুথোক্লি।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বিমস্তেক লৈবাকশিংনা শেল থুম অমদি সমাজগী য়াইফনবগীদমক্তা থৌদাং কয়া লৌরি। মসিদা ভারতনা বিমস্তেক লৈবাকশিংদা শান্তি অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। বিমস্তেক লৈবাকশিং মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা প্রধান মন্ত্রিগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নবদা ৱাফম শ্রী মোদিনা ফোংদোকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিগা বিমস্তেকী মীহুৎ কাংবুশিং অদুগা কন্নেক্তিভিতি, ইনর্জি, লল্লোন ঈতিক, হকশেল, লৌউ শিংউ, সাইন্স, সেক্যুরিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা খন্নখি। চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা বিমস্তেক্কী মীফম ভারতনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

ধনখর ঃ   উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অসিদা অফবা লৈঙাক সাসন লৈবদগী নহাশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

মুম্বাইদা লৈবা নরসি মোনজি ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংদা ৱা ঙাংবদা ৱাফম অসি শ্রী ধনখরনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী অরুবা তানফম কয়াদা ৱারেপ লৌবনা মরম ওইরগা চালখৎপগী লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙম্লি। মহাকা হায়- অৱাংবা থাক্কী মহৈ লোইশঙ কয়ানা লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। শ্রী ধনখরনা হায়- টেকে ালোজি অমসুং দিজিতেল ত্রান্সফোর্মেসন, সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট, ভোকেসনেল ত্রেনিং য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎলবদি ভারত অসি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইগনি।

দিবস ঃ চহি খুদিংগী জ্ন ২৫ বু সমবিধন হতিয়া দিবস হায়না পাঙথোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। ইং ১৯৭৫ গী জ্ন ২৫ দা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ইন্দিরা গান্ধিনা লৈবাক অসি ইম্মরজেন্সি থমখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা ঙসি থাগৎপা ৱারোল অমদা কেন্দ্রগী গহ্ মন্ত্রি অমিত সাহ্না হায়- ভারত্তা গনতন্ত্র হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মীওই্ কয়ানা থৱায় থাখিবা অদুবু নিংশিংবা অমদি ইকায় খুমবা উৎনবগীদমক সরকারনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি। মহাকা হায়- নুমিৎ অসি পাঙথোকপনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা গনতন্ত্রগীদমক্তা কৎথোকখিবশিং অদু নিংশিংহনবা ঙমহল্লগনি।

দিল্লি ঃ দিল্লিদা ইলেক্ত্রিক্কী খাজনা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা বি.জে.পিনা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা দল অসিগী লুচিংবশিং অমদি কারিয়াকার্তাশিং শরুক য়াখি। খাজনা অসি হান্না চাদা ৬.৭৫ লৌরম্বদগী হৌজিকা ৮.৭৫ দা হেনগৎলকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ৱাকৎ মীফম অসি চথখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মুম্বাইগী গোরেগাউনদা নেসকো একজিবিসন সেন্তরদা লুপা কোতি লিশিং ২৯,৪০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা লম্বী-থোং, রেলৱে

অমদি হিথাংফম য়াওরি।

তুংদা, শ্রী মোদিনা ইন্দিয়ান নিউজ সার্ভিস সেক্রেটরিয়েটতা চত্তুনা আই.এন.এস টৱার শঙ্গাগনি।

এরেষ্ট ঃ নিট পেপর লিক্কী মতাংদা সি.বি.আইনা মমাং থাগী ২৮ দা হজারিবাগতগী ফাখ্রবা মীওই মরি পাটনাগী বিয়ুর জেলদা থাজিখ্রে। মখোয় মরি অদুগী মনুংদা হজারিবাগতা লৈবা ওএসিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল অসানুল হেক অমদি ভাইস প্রিন্সিপাল ইমতিয়াজ য়াওরি। মখোয় মরি নিউ দিল্লিদা লৈবা সি.বি.আইগী হেদক্বাটরদা কুপা ৱাহং পাউহং তৌরবা মতুংদা জেলদা থাজিনখিবনি। সি.বি.আইনা থিজিনবদা, নিট পরিক্ষাগী মৈনা খিত্তং চাক্লবা ক্বেসন পেপর অমা পাটনাগী খেমনিচাক প্লে স্কুলদগী ফংবা ঙমখি। মখা তানা থিজিনবদা হায়রিবা মৈ চাক্লবা ক্বেসন পেপর অদু নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা পাটনাদা থাখিবা ক্বেসন পেপর অদুগা মান্নরমখি। লোয়না মৈ চাক্লবা ক্বেসন পেপরগী সেরিজ অদু হজারিবাগতা লৈবা ওএসিস স্কুলগী একজামিনেসন সেন্তরদা থাখিবা ওইরমখি।

কেরলা ঃ কেরলাগী তিরুভানন্থপুরমদা নৌনা কোলেরাগী কেস মঙা থেংনরে হায়না রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা হায়রি। হৌজিক পুন্না রাজ্য অসিদা কোলেরাগী কেস ৭ শুবগা লোয়ননা বিভাগ অসিনা লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরে।

ফুটবোল (এল)ঃ এস.দব্লিউ.সি- ৱাইখোংনা ২১ রক শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী চেম্পিয়ন ওইরে।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস.দব্লিউ.সি ৱাইখোংনা এস.এ.ও ককচিংবা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

------